ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯃꯦ ꯱꯶, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯵꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ুমশকৈশা, মে ১৬, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ৫৩ শুবা মশীং

মণিপুরদা এ দি বিগী শেন্থং

থবক তপথহন্দনবা লৈঙাক্কী মীৎয়েং তঙাইফদে

মীয়ামগী চৎথোক-চৎশিনগী পান্থে ওইননবা কুমজা ২০১৩গী অদুৱাইদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকা এসিয়ন দিভলপমেন্ট বেঙ্ক (এ দি বি)গা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং অমা খূৎয়েক পীনদুনা লৈবাক অসিগী অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংদা শেল থাদবা য়ানখি। অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংগী লম্বী শেম্নবা শেল থাদগদৌরিবসি লোন ওইননি। তৌবদদি মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংগীদমক য়েংলগা বেঙ্ক অসিনা পীরিবা লোন অসি সিম্পল ইন্টরেষ্টতা চাদা ১.২৫ লোমতমক ওইরগা চহী ২০/২৫গী তুংদা শিংবা হৌগদবনি। অখন্নবা থৌরাং অসিগী মখাদা মণিপুরদা এ দি বিনা লম্বী অহুমখক শেম্ননবা শেল থাদবা হৌখি। লম্বীশিং অদুদি তুপুলদগী থাঙ্গাল ফাওরগা বিষ্ণুপুর য়ৌরকপা, থৌবালদগী কাসোম খুল্লেন য়ৌবা লম্বী অমসুং ইম্ফালদগী কাংচুপ ফাওরগা তমেংলোং ফাওবনি। অহানবগী লম্বী অনী অসি গুজরাটতা বেজ তৌবা দ্রাই পাল অমসুং গুৱাহাটিদা বেজ তৌবা এ বি সী আই অনীগী জোইন্ট ভেঞ্চর ওইনা শেন্থা হৌখিবনি। তুপুল-থাঙ্গাল-বিষ্ণুপুর ফাওবগী লম্বী অসি এ দি বিনা চাদা ১০০ ফাইনান্স তৌরগা লম্বী শেন্থা হৌখিবনি। অদুগা, অনীশুবা লম্বী অসিনা সেন্টরনা শরুক খরা অমসুং এ দি বিনা অয়াম্বা শরুক পুথোক্লগা শেমগৎপা লম্বীনি। অহুমশুবা লম্বী হায়বদি ইম্ফাল-কাংচুপ-তমেংলোং অসিনা এ দি বিনা চাদা ৯০ অদুগা ষ্টেটনা চাদা ১০ পুথোক্লগা পায়খৎকদবনি। শেমগদৌরিবা লম্বী অসিগী কিলোমিটর ১৩ রোম হায়বদি ইম্ফালদগী কাংচুপ চীংখোঙ ফাওবগী শরক অসি লমগী চয়েৎননা লোইশিনবা ঙমদবদগী থবক হৌদ্রি। অদুমওইনমক তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা চীংগী লম মখৈদি খুঞ্জাশিংনা মমল লৌদনা কখোকপনা মরম ওইরদুনা মতম অমদা হেক্তমক থবক হৌবা য়াবগী ফীভমদা লৈখ্রবনি। হায়রিবা লম্বীশিং অসিগী থবক্কী খোঙজেল করম তৌরিবগে হায়বদু হন্দক্তা এসিয়ন দিভলপমেন্ট বেঙ্ককী কন্ট্রি দিরেক্টর কেনিচি য়াকোয়ামা ইম্ফালদা লাক্তুনা য়েংশিল্লখি। মহাক্না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগসু উনদুনা বেঙ্ক অসিনা থাদখিবা শেনফমশিং নীংথিনা শীজিন্নদবগী মতাংদা ৱারী শানখি হায়নৈ। অদুবু, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মতুং তারকপদা এ দি বিগী ফন্দ অসিগী মতাংদা চয়েৎনবা অমত্তা লৈহল্লোই অমসুং থবক্কী প্রোগ্রেস য়াংশিন্না পায়খৎহন্নবা হোৎনবদা পীবা য়াবা মতেং পীগনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখি হায়রি।

কন্ট্রি দিরেক্টর কেনিচি য়াকোয়ামাগা এদিটর খরগা হন্দক্তা ইম্ফালগী ক্লাসিক গ্রান্দেদা উনবদা এ দি বিনা শেল থাদদুনা মণিপুরদা পায়খৎলিবা থবকশিং অসি খোঙজেল য়াম্না তপলে হায়না নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি। মখোয়না রিভিয়ু তৌবদা কুমজা ২০১৭কী ওক্টোবর থাদা থবক পায়রিবা কন্ট্রেক্টরগী বিল লুপা ক্রোর ৫ পীখিনবা খঙহনখি। অদুবু, হায়রিবা শেনফম অসি কুমজা ২০১৮গী মার্চ ফাওবা পীথোকখিদে। মসিনা মরম ওইরগা কন্ট্রেক্টর অদুনা থবক নীংথিনা শূবা ঙমদবগী মওংদা ফোঙদোরকপগী ৱাফমসু মহাক্না পল্লমখি। এ দি বিগী শেন্থং মখাদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিং অসিগী বিল পীথোকপগী মওং অসি অতৈগা মান্নদে। মখোয়না শূরিবা থবকশিং অদু এঞ্জিনীয়রগী গ্রুপ অমনা কয়াম য়াম্না শূরে অমসুং শেল কয়াম য়াম্না পীবা য়ারবগে হায়বদু কন্সল্টেন্ট অমা ওইনা য়েংশিল্লি। হায়রিবা কন্সল্টেন্ট অসিগী চাদিং এ দি বিনা পুই। মখোয়না লুপা ক্রোর ৫ পীখিনবা লৈঙাক্তা খঙহল্লকখি। লৈঙাক্না চাওরাকপা মোনিটর অমা অমুক তৌরগা মিনিষ্ট্রি ওফ দোনরদা শেনফমশিং অদু রিলিজ তৌননবা থাবা চঙই। দোনরনা অমুক আর বি আইদা শেনফমশিং অদু মণিপুর লৈঙাক্কী একাউন্টতা হাপখিনবা খঙহল্লবা তুংদা শেনফমশিং অদু মণিপুর লৈঙাক্কী একাউন্টতা চঙই। অসুম্না একাউন্টতা লৈরবা শেনফম অদু কন্ট্রেক্টর অদুদা মণিপুর লৈঙাক্না পীগদবনি। শাংলবা প্রোসেস অসিনা মরম ওইরগা শেল পীবা পন্থবগী মরম অমদি নত্তে। করি মরমগীনো হায়বদুদি লৈঙাক্না থিগৎপগী তঙাইফদবা লৈ। মহাক্না ফোঙদোক্লম্বা মতুংইন্না মণিপুর অসি এ দি বিনা শেল থাদরগা লম্বী শেম্বগী থবক্তা খ্বাইদগী মরুওইবা মফম অমনি হায়না পল্লি। অসুম্না মীরৈপাক্না থাদবা শেনফমশিং মরম চানা শীজিন্নরবা অমসুং মতম চানা থবকশিং লোইবা ঙল্লগদি মখা তাবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎননবা শেল থাদবীয়ু হায়বা মখোয়না য়ারোইদবা লৈতে। এ দি বি হায়বসি শোথহৌরবা লৈবাকশিংদা শেন্থং পীননবা লৈবা মরুওইবা মালেমগী বেঙ্কশিংগী মনুংদা অমনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, বেঙ্ক অসিনা মণিপুরদা থাদরিবা শেনফমশিংনা পায়খৎলিবা মরুওইবা প্রোজেক্টশিং মতম চানা লোইশিন্ননবা হোৎনবদা মণিপুর লৈঙাক্না শৌগৎপীবা চঙই। লো এন্দ ওর্দরগী মায়কৈদবু য়েংলবসু, লেন্দ এক্বিজিসন থেংথবগী মরমবু ওইরবসু চয়েৎনবা লৈবা মফম খূদিংমক মণিপুর লৈঙাক্না ঙাইহাক লৈতনা য়েংশিনফম থোকই। মখোয়না থেংনরিবা খূদোংচাদবশিং অদু কোকহন্ননবা মতম-মতমগী থবক লৌখৎপগা লোয়ননা থবকশিং অদু মতম চানা লোইশিনহনগদবনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭২

১। কাং শান্নবা হায়বসি ঐখোয়গী থানবা য়াদ্রবা মশান্না অমনি। মী তরেৎ-তরেৎ ফম্নরগা শান্নবনি।
   (ক) করম্বা মৈদিংঙুগী হাক্তক্তা কাং শান্নবা হৌখিবগে?
   (খ) পনঙাকপা মীশক্না ফমফম কয়াশুবদা ফম্বগে?
২। “নোংমা নোংমগী থামচাগী মমল হাইথরকপনা ঈশিংমুক মমল লায়খ্রে। কান্নবদি লৈবা মমলদি হোঙবা।” পরেং অনীসি এম কে বিনোদিনীগী ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু?
৩। “বেশ্যাইমচাগী/ওক মকোক পানবশিংদো/মমীৎ মমীৎতমক ময়েংনৈ/মমীৎতমক ময়েংনৈ।” পরেং মরি অসিনা শ্রীবীরেনগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু?
৪। “হায়হৈদে তমু, তুংগী পুন্সিগী খল্লু, লমন শিংদনা তোকলোইসি।” পরেংসিনা ‘নূংগী চীনবান’ কৌবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। অইবীদুগী মমিং হায়য়ু?
৫। “হল্লকখিনি অমুক তোর্ব্বানসিদা’ হন্দোকপদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭১গী পাউখুম ৩ চুম্না থাবীরকখিবদি

১) মাইবম নিলান্দো, সাম্বৈ মখা লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্ট *(৩)*

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৭১গী ৱিন্নর

মাইবম নিলান্দো, সাম্বৈ মখা লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্ট

লিটরেরি ক্যুইজ ৭১গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম মে ২০, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭১ গী পাউখুম

১। ঐখোয়গী ‘ময়াংইম্ফাল’ অসি হান্নদি ‘ময়াংয়ূম্ফম’ হায়না কৌরম্বনি। মদু খুমন নিংথৌ অমনা ময়াং কালিসা নিংথৌ অমগা লান শোক্লবদা খুমন নিংথৌনা ঙমদুনা ফারকপা ময়াংশিং লৈহনখিবদগীনি।
   (ক) খুমন নিংথৌদুগী মমিং করি কৌই ?:- **থিঙ্গোল হনবা**
   (খ) ময়াং কালিসা নিংথৌদুগী মমিংনা করি কৌই?:- **কালারাজ**
২। “নীংথিরবী নুজাগী/ঙক্তা শিবা লৈতেংগী/সনা লিকফাং মরক্তা/অমতা থানবা মনিগুম।” পরেংশিংসি কবি ময়ুরধ্বজগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং মমিংদু হায়য়ু?
   :-‘পোক্নফম’
৩। তোংৱাগী পুন্সি লোইরমদাইদা Tretalogy (দ্রামা ৪না শাবা) ইরম্মী। অহুমদি (১) সনাখৈ হূখ্রে লৈবাক্তে (২) ককখ্রবা কোকয়াম রাবন ককয়াই (৩) নুপীগী অধিকার অসিনি। মরি শুবা দ্রামাদুগী মমিং হায়য়ু?:- **‘প্রজাগী খুদোল, ষন্নাও থম্মোয়’**
৪। “নাকল অমরোমদা শৈরেংদি কলানি/কলাগী মগুণদি আধ্যাত্মিক্না পাদম ওনগদবনি, এস্থেটিক ভেল্যুনা মচু লোক্কদবনি।” ৱাফম অসি নুপী ক্রিটিক অমনা হায়বনি। নুপী ক্রিটিকতুগী মমিং হায়য়ু? **:- ৱাহেংবম কুমারী চনু**
৫। “চীংনা ঐগী পন্থৌ, তম্না ঐগী পলেম” কৌবা হন্দোকপা ঈশৈ শৈরেংগী লাইরিক অদুগী অইবীদু কনানো? মমিং হায়য়ু?:- **এন অনীতা দেবী**

হোংলক্লিবা মতম অমদি ফীভম

চাইথোরকপা ৱাখল

নরেন্দ্র নিঙোম্বা

লমদমসি পাৎ ওইরম্মী, শা-ষণগা পুখখিবদা হিংবৈ ৱা লৈরমদে, মীসু পুখদুনা য়াম্না শিনখি। লাঙ্গোল চীংদা মী নহা মচাদগী হৌরগা অহল লমন কয়ানা শীং য়ান্দুনা কুম অমগী কোন্ননবা শীংগে পৈদুনা থম্নরম্মী, পাৎ ময়ায়দা হি তোংদুনা থম্বাল হেকপা চৎনরম্মী, পাখঙ লৈশাবী কয়াগী নুংশি পাউখোং চন্নরম্মী, খরা লৈরগদি শুম ফুনজিল্লকই। লৌ উনরকই। লোইশঙ কয়া শাগৎলকই। লম পংখোক্তা খোৎচিন্নরকই, মপূ পান্নরকই। পাৎ ময়ায়দা লৈহৌবা পাথি-কোমথি ওই তৌবা মফমদা কৌখা য়াম্না তান্নরম্মী ঙা কয়া ফানরম্মী, মীওই কয়াগী পুন্সি হিংনরম্মী, সিবু হৌজিক লৈরিবা ফীভমসিদা ঙসিগী মীরোল অসিনা করম্না থাজগনি। ঙসিদগী চহী কয়াগী মমাঙদগী লম্ফেলপাৎ ময়ায়দগা ফাওদুনা চৎপা কিনরম্মী। মরমদি লংজা অচৌ অচৌবা য়াম্না পাইরকই। অঙাং মচা ফাওবা লংজানা চেল্লি হায়বগী ৱারী তাখি। সিবু কনানা থাজগদৌরিবনো? ঙসিদি লাঙ্গোল চীং অসি খুনপাক খুনপাক তারে। খুন্নৌ ঙাক্তনি কাই কাইদৈনো অমত্তা খঙদে। অশিংবা খরদি লাঙ্গোলদা কনাদগী লৈহৌবনো খঙদে, লম লৈবগসু য়াওনৈ। অয়াম্বা চীংমী ঙাক্তা ওইনা তাশিল্লকপদগী, লম য়োন্থোক্লবসু য়াওনৈ। হৌজিক্তি খুনগসি মমিং জাৎ জাৎ থোন্দুনা লৈনরে। ফোরেষ্ট রিজার্ভ এরিয়ানিদি হায়, লমদি অহাংবা অমত্তা লৈত্রে। লোইনমক খুন ওইনা তাশিনখ্রে। মী অমত্তা লৈরমদবা লমলক্কী শা উচেক কয়াগী শাইদাংফম ওইরম্বা লম্ফেল অমদি লাঙ্গোল ঙসিদি মহৌশাগী শক্তম লোইনা কায়খ্রে। অশংবা উ পাম্বী কয়ানা উয়োক ওইনা লৈরম্বা পুমশং শংলম্বা চীংশাং তেমথোক তেমথোক্তুনা য়ূম কয়া শাজিল্লক্লে। কনানসু করিসু হায়বা লৈতে। খুল ওইনা তাররিবশিং হংনরুবা মতমদা অরাপ্পা চীংগী মফমদগী লাকপা ঙাক্তা ওইনা তৌরি। অহানবদা শেঞ্জাও পায়বা, অচৌবা ফম পায়বশিংনা খুদোম্বী থিন-থিন্দুনা কল্লম্বা মফমশিং হৌজিক্না কদাই কদাইদগীনো ময়াম অমা থোমজিল্লক্তুনা য়ূমগী য়ূম ঙাক্তা ঙাইরে। মসি মতমনা পুরকপনি হায়বসিদি য়াই, অদুবু করম্না ফোরেষ্ট রিজার্ভ এরিয়াগা লোইনা মাঙখ্রে। ফোরেষ্টকী কাঙবুনা চঙশিল্লুবদা চৈবু চৈগে তৌই হায়রি। কয়াদা ঙকখ্রবা মতমগী অহোংবনো? মসি লৈঙাক্না শোয়দনা খঙফম থোকই। অদুবু খঙশিন্নদে। খঙলুরসু খন্নদে। কান্নবা থবক তৌবা ঙমদে, উমং ঙাকপা ঙম্বগী থৌনা লৈতে। লাঙ্গোল হায়বা চীং অসি মৈতৈগী পুৱারীগা য়াম্না শাগোন্নবা ৱারী কয়া লৈরিবা নাৎকসু য়াম্না শম্নবা মরু ওইবা চীংশাংনি। অদুবু মসি হৌজিক্তি পূম্মাং মাঙএ। মতম চানা থৌনা লৈবা অমনা মরীল ফুদোক্তুনা লৈঙাক্না তুংদা লেপ্পগা হোৎনদ্রগদি মতম খরগী মতুংদা চীং অসি মশক উবা ফংলরোই।

নোংজু পন্থাদা, লম্ফেলদগী মৌখৎলকপা ঈশিংনা অকোয়বদা তারিবা খুন কয়া শাথিনা ঈশিং ঈচাউ থোকহল্লি। লম্ফেলগী ঈশিং চিংথোক্লিবা অসি শুপ্নতগী শমুশঙ উকুগী মরীলদগী নম্বুল তুরেল তাবা ফাওবা অসিদা সরক লান্না উকু মচা অমা শেমদুনা চিথোকপা অমদি এঞ্জিন পান্দুনা চিংলিবা অসি মঙাই। মমাঙঙৈদদি মফম অসি ঈশিং মতম চুপ্পা লৈরম্মী। পাৎ ওইনা থরো থম্বাল নিংথিনা শাৎলম্মী। ঈশিং নিংথিনা তুংশিন্দুনা মতম চুপ্পা ইরং লংলম্মী। অদুনবু লম্ফেলপাৎ হায়না কৌনরম্মীবনি। মমিংতা ঙাইরবা পাৎ অসি ঙসি হৌরক্লিবা নহাশিংনা খরা খরা শুম শমজিনখিদুনা লম্ফেল হায়রগা তোক্লে, পাৎ হায়বা ফাওবা পনবিখিদ্রে। অদুনা মমৈথং চহী খরগী মতুংদদি লম্ফেলপাৎ হায়বদা কনানসু খঙনররোই। ঙসিদি নোং খজিক্তং চুবদা ঈশিং তুংফম লৈতবনা মৌখৎলক্তুনা অকোয়বগী খুন পূম্বা ঈশিং থুমদবা লৈত্রে। মণিপুরগী পাক চাউবগী শরুক অয়াম্বা চীংগী লমনি। পীকখ্রবা তম্পাক্কী লম অসিদা কনাগী ওফিস অমদি অতৈ খুদিংমক লোইনা শাজিনগনি হায়বগী ৱাখল অসি খরা থাদোক্লগা, চীংদা থেল মান্নবা য়েংদুনা ওফিস কয়া লীংখৎপা য়াই, তঙাইফদনা লৈতবা য়াদবা ওফিস খরা থল্লগা অতৈ পূম্বা চীংদা য়াম্না কা হেন্না লাপত্রবসু খরা নকপা মফমদা শেম শাদুনা লোইশঙ কয়া লীংখৎলবদি ইম্ফালগী অচিনবা কয়া অসিসু কোক্কনি। থবক তৌরিবা ময়ামগী ৱাখলসু পাকথোরক্কনি। পাৎ অসিগী শক্তম হান্নগী ফীভম অদুমক য়ৌদ্রবসু নৌনা শেমগৎপা য়াই। হৌজিক লৈরিবা পাৎ ময়ায়দা শেম শাগনি হায়না তৌরক্লিবা কয়া অসি মফম চাবদা হোংদোক্লগা মফম অসি ইম্ফাল ময়োলগী ওইনা কুম চুপ্পা শীজিন্নবা য়াবা ঈশিং তুংফম (ৱাটর রিজার্ভর) ওইনা থম্বা য়াই। পীকখ্রবা কাংচুপকী ৱাটর রিজার্ভর অসিনা ইম্ফাল তঙ্খাই অমা ঈশিং পীথক্লিবনি। চাউখ্রবা লম্ফেলপাৎ অসিদা ৱাটর রিজার্ভর ওইনা শেমগৎলবদি মণিপুরগী তম্পাক তঙ্খাই অমদি কুম চুপ্পা অফবা ঈশিং পীথক্লবা থৌরাং লৌখৎপা য়াই।

ইম্ফাল মনুংদা হৌজিক কৈথেল অচৌবা অনী লৈরি- পাওনা কৈথেল, থাঙ্গাল কৈথেল হায়দুনা। কৈথেল অনী অসিদা মালেমগী পোৎ মখল খুদিংমক লোইনা য়োল্লি কৃক-কৃক ইন্নবমখৈ। য়ূম শাবগী মচাক্তগী চিংলগা পোৎচাউ-পোৎপীক লোইনমক। মদুনা মরম ওইরগা কৈথেল অনী অসিসু অসুক্কী মতিক চিলহল্লি। পোৎ অচৌবা গোদাউন লৈরিবশিং অসি মফম চানা হোংদোকহনবা মথৌ তারি। মীশিং য়ামখৎলকপা লম চাউথোরকপনা মরম ওইদুনা মী চিনবগী চাং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লিবা অসি কোক্লনবা উপাই থিবা তাই। হৌজিক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ওটো রিক্সো অমদি মী পুবা টাটা মেজিক সিটি ময়োলদা চঙহল্লরোই হায়বা পাউ লৈরে। অমরোমদা অফবা থৌশিলনি। ওটো অসি সিটি মনুং অসিদা য়াম্না চিলহল্লে, খুদোং চাহন্দ্রে। মখোলসু য়াম্না শাথিনা হৌবা অমদি মৈখু য়াম্না থোকপনা মরম ওইদুনা মীওইবগী হকচাংদা অকায়বা য়াম্না পীরে হায়বসি অখঙ অহৈশিংনা হায়নদুনা লাকপা কুইরবনি। মপানগী অচৌ অচৌবা সিটিশিংদা ওটো অদুম ফজনা চঙই। অদুবু মখোল হৌদে, মৈখু থোক্তে। অদুগুম্বা মখলগী ওটো ইম্ফালদা শীজিন্নহনি হায়বা অসিসু ফৈ। নৎত্রবদি কৈথেল মনুং অসিদা লাক্লিবা অসি লেম্না পংচৎ চৎপা নত্তে। পোৎ লৈবা অমদি অতৈ মরম কয়াগীনি। মরম কয়াশিং অদু মফম চানা হোংদোকহল্লবদি শোয়দনা চিনবগী চাং হন্থহনগনি অমদি অচৎ অওকশিংদসু খুদোং চাহনগনি। থঙ্গাল অমদি পাওনা কৈথেলগী ফাওনা ময়ায় লম্বী অসিদি খোঙনা চৎনবা মফম ফাওবা লৈত্রে। গাড়ী পার্কিং ওন্থোক্লে। মসিমদি য়াম্না নুংঙাইতে। দুকান ফম্বীরিবশিংনা মসি ৱাখল মুন্না খনফম থোকই। মাগী দুকান্দগী পোৎ লৈরগা গাড়ীদা হাপখিগদৌরিবা অদু মহাক্কী গাড়ীনা খামজিন্দুনা থল্লবনিনা করম্না তৌগনি। লম্বী চৎফম লৈতবমখৈ গাড়ী ঙাক্তা খামদুনা লৈরি। দুকান ফম্বশিংনা অচৌবা কার অমমম থৌদুনা লাক্লগা দুকান মমাঙদা খল্লগা পোৎ য়োল্লিবশিংনসু লম্বী চিলহল্লিবনি। মখোয় গাড়ী পুরক্তুনা লাকফম থোকপনি, লাক্লবসু লাপ্না কৈথেল মনুং নত্তবা মফম অমদা পার্ক তৌরম্লগা থোঙ হাংলবদি মীয়ামদসু হেন্না খুদোং চাগদবনি। মসিগী ফজবা কাঙলোন অমসু লৈঙাক অসিনা শেমদোকপা মথৌ তারে। নৎত্রবদি গাড়ী অনী থৈনবদা ৱাবা লম্বী অসিদা পার্ক তৌশিল্লগা লৈরবনিনা অচৎ-অওকশিংদা খুদোং চাহন্দবসিনা মখোয়গী ব্যুজিনেসতসু অকায়বা পী হায়বসি খঙনবা চুম্মী।

চুরুটকী মৈখুনা চুরুট থক্তবা মীদসু শোকহল্লি

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

ময়াই কাবা চিঞ্জাক হায়বসি ফত্তে খঙনা-খঙনা অদুম শীজিন্নৈ। চুরুটসু ময়াই কাবা চিঞ্জাক অমা ওইনা শীজিন্নরি। মসিনা ইমুং-মনুং, খুন্নাই অমসুং শেন্মীৎলোন্দা অকায়বা পীরম্বা য়াই। অদুবু ৱাফমসিনা নাকল অমদা থনল্লগা, চুরুটকী মৈখুসিনা থক্তবা মীদসু কয়ামুক য়াম্না শোকহনবগে হায়বগী মতাংদা থিজিল্লুবশিংগী পাউদম খরা থমজগে। চুরুট থকপদগী থাদোরকপা মৈখুসি মখল অহুম থোক্না খাইদোকপা য়াই : ১) ফার্ষ্ট হেন্দ স্মোক - থক্লিবা মীদুনা চিংশিনখ্রিবা মৈখু, ২) সেকেন্দ হেন্দ স্মোক - থক্লিবা মীদুনা কামথোরক্লিবা অমসুং অচাকপা চুরুটতগী থাদোরকপা মৈখু, ৩) থার্দ হেন্দ স্মোক - মৈখুদা য়াওরিবা পোৎকুপ (পার্টিকল) শিংনা ফি-রোল, ফক্লাং, টেবল, চৌক্রি, কার মনুং অমদি অতৈ মফমশিংদা নপশিন্দুনা লৈহৌবা।

য়ু এস দিপার্টমেন্ট ওফ এনর্জিগী (বর্ক্লি লেব) লোরেন্স বর্ক্লি নেসনল লেবোরেটরিগী সাইন্টিষ্টশিংনা থিজিনখিবা অমদা থার্দ হেন্দ স্মোক্কী খুদোংথিনিংঙাই ওইবা খরা থেংনখি। চুরুট থকপা অমনা মাগী চুরুটতু মুথৎখ্রবা মতুং পুং ১৮গী মতুং ফাওবদা মৈখুদুগী ইফেক্টশিংদু মখোয়না য়াম্না কুপ্পা নৈনরম্মী। মতমদু ফাওবদা কাদুগী ফক্লাংরোম অমদি অতৈ পোৎশিং - ফি, ওর্গানিক কম্পাউন্দ ৫০দগী হেন্না লৈহৌবা অদুগা মৈখুদদগী লেমহৌবা (ভোলাটাইল) মনিল য়াম্না কানগনবা পোৎকুপশিংসু নুংশিৎতা তাওদুনা লৈবা থেংনরম্মী। মখোয়গী পাউদমদু কুমজা ২০১৪গী চেফোঙদা ‘ইনভাইরোনমেন্টেল সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি’ য়ু এসকী, ফোঙদোকখিবনি। থিজিনখিবা অদুদা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবা কেমিষ্ট হ্যুগো দেষ্টাইল্লটসনা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না অয়াম্বা চুরুট থকপা মীশিংনা সেকেন্দ হেন্দ স্মোক্কী অমাঙবা খঙনবনা অঙাংশিং লৈরিঙৈদা চুরুট থক্নদে। অদুবু থার্দ হেন্দ স্মোক্কী মতাংদদি অয়াম্বনা থোইদোক্না খঙনদে। চুরুট মুথৎখ্রবা মতুংদা লৈহৌবা থার্দ হেন্দ স্মোক্না ওজোনগা তিন্নদুনা কা হেন্না পীকপা পোৎকুপশিং থাদোরকই। মসিনা মীওইবগী সেলশিংদা য়াওবা জীনশিংদা অমাঙ অতা থোকহল্লি হায়দুনা পাউদমদুদা পল্লি।

বর্ক্লি লেবকী থিজিল্লোয়শিংনা চাংয়েংসি মখল অনী থোক্না পাঙথোকখি। অহানবদা বর্ক্লি লেবকী কা অমদা মেছিন শীজিন্নদুনা চুরুট তরুক্তগী মৈখু থোকহল্লি। চুরুটশিংদু মুথৎখ্রবা মতুং পুং ১৮ লৈরগা চুরুটকী মৈখুদা য়াওবা ভোলাটাইল ওর্গানিক কম্পাউন্দ ৫৮গী মরমদা কুপ্না য়েংশিনখি। অতোপ্পা অমনা চুরুট থকপা মী অমগী কাদা পাঙথোকখি। মহাক্না অরোইবা ওইনা থকখিবা চুরুটতু মুথৎখ্রবা মতুং পুং ৮ লৈরগা লেমহৌবা থার্দ হেন্দ স্মোক্তুগী মরমদা নৈনখি। মসিদগী খঙলকখিবদি দাইএমিটরনা মাইক্রোমিটর ২৫দগী হন্থবা পোৎকুপশিংনা শ্বর হোঞ্জিনবদা য়াওখিদুনা লংস মনুংদা চঙখিদুনা লংসকী মথৌদা অয়েৎপা পীবা য়াই হায়বসিনি।

পাউদম অমগী মতুং ইন্না থার্দ হেন্দ স্মোক্না ‘অমেরিকান জর্নেল ওফ ফিজিওলোজি’ কুমজা ২০১১দা পোক্ত্রিবা অঙাংগী লংসপুসু শোকহনবা ঙম্মী হায়খ্রে। পাউদমদুদা অসুম্না ফোঙদোকখি মদুদি পোকপা কুইদ্রিবা অমদি অপীকপা অঙাংশিংদা শোকহনবগা চপ মান্ননা পোক্ত্রিবা অঙাংশিংদসু শোকহনবা ঙম্মী। ৱাফমসি লোস এঞ্জেলিস বাইওমেদিকেল রিছার্স (এল এ বাইওমেদ) উকলা মেদিকেল সেন্তর- ইনষ্টিট্যুটকী থিজিল্লোয়শিংনা পাঙথোকখিবা চাংয়েংশিংদগী খঙলকখিবনি। এল এ বাইওমেদকী প্রিন্সিপাল ইনভেষ্টিগেটর ভিরেন্দর রেহান্না থার্দ হেন্দ স্মোকসি শকখঙদবা য়েক্নবা অমনি হায়। মরমদি মসি লৈ হায়বসি কনানসু খঙবা ঙমদে। শকখঙদবা য়েক্নবসিগী হু ওইবগী চাংসি কেস খরদদি ফার্ষ্ট হেন্দ অমসুং সেকেন্দ হেন্দ স্মোক্তগী হেন্না শাথি। থার্দ হেন্দ স্মোক্কী য়াম্না কুপ্পা পোৎকুপশিংনা নপশিন্দুনা লৈরিবা মফমদা খূৎনা পায়রুবদা খূৎতা নপশিল্লকপা নৎত্রগা পোৎকুপশিংদুনা নপশিল্লিবা উফুলশিং শ্বর হোনবদা চঙলকপা য়াই। অসুম্না মীরোনবী নুপীশিংগী হকচাং মনুংদা চঙলকপা পোৎকুপশিংদুনা পীবুকনুংদা লৈরিবা অঙাংগী লংস য়ৌখি। অসিগুম্বা স্মোকসিগা তোয়না লোয়নদুনা লাক্লবা মমানা পোক্লকপা অঙাংদু এজমা অমদি অতৈ শ্বর হোনবগী অনাবশিং নারকপা য়াবগী চাং ৱাংনা লৈ।

চুরুট থকপা মী লৈবা, খরা চিল্লপ তৌবা ইমুংগী অপীকপা অঙাং অমদি মীরোনবীশিংদদি থার্দ হেন্দ স্মোক্কী খুদোংথিবসি হেন্নমুক হেল্লি। মরমদি অঙাং হায়বসিদি অউ অউবা পোৎ পায়গল্লি অদুগা মীরোনবীশিংনা চথোক-চৎশিন্দা হেন্না খুদোংচানবা অনকপা পোৎশিংগী মতেং লৌগল্লি। অদুনা মখোয়গী হকচাংদা থার্দ হেন্দ স্মোক্কী পার্টিকলশিং হেন্না চঙলক্নবগী মরম অমা ওই। কেমিকেলশিংসি চঙলকপা য়াবগী চাংসি অপীকপা অঙাংশিংদনা মপূং মরৈ ফারবা অমদগী শরুক অনী হেল্লি। নাইকোটিনগী ফত্তবা ইফেক্টশিংদা নত্তনা অতোপ্পা হু ওইবা স্মোকসিদা য়াওবা কেমিকেল অনীগী ইফেক্টসু নৈনখি। মখোয় অনীদুগী মমিং ১) ব্যুটানাল অমসুং ৪-৪- (পাইরিদিনাইল-৩)-১ (নাইট্রোসএমিনো-এন-মিথাইল-এন) মিথাইলনাইট্রোসএমিনো- (পাইরিদাইল-৩)-১ ব্যুটানোল কৌই। অঙাংখাওদা লৈরিঙৈদা কেমিকেলশিংসি থেংনবনা পোক্লবা মতুংদা -১ থেংনবদগী হেন্না শাথি অদুগা লংসকী মথৌদা হেন্না খুদোংচাদবসু থোকহল্লি হায়বা থিজিনবা অসিদগী খঙবা ঙমখি।

চুরুট থকপা মীদা শোকহনবগুম্না সেকেন্দ হেন্দ স্মোক্করদসু চুরুটকী মৈখুনা শোকহল্লি। অদুবু থিজিনবগী পাউদম খরদদি থার্দ হেন্দ স্মোক চিংশিল্লিবা কাঙবুদা শোকপগী চাংসু মখোয়নিসিগা মান্নৈ হায়রি। য়ুনিভর্সিটি ওফ কালিফোর্নিয়া (য়ু সী) রিভরসাইদকী থিজিল্লোয়শিংনা উচিশিংদা পাঙথোকখিবা চাংয়েংশিংদগী খঙবা ঙমখি মদুদি থার্দ হেন্দ স্মোক্না হকথেংননা লৈবা (রিভরসাইদ) উচিশিংগী ফিরাক অমদি থবোম্বীশিং শোক্লকই। অসিগুম্বা উচিশিংগী মশাদা অশোক অপন য়াওরকপদা ফজিনবগী চাংসু য়াম্না হন্থরকখি। অদুগা উচিশিংদুদা হাইপরএক্টিভিটিগী থৌওংশিংসু উবা থেংনরম্মী। হাইপরএক্টিভিটি ওইরবা মী অমগী লমচৎ শাজৎতা - ৱা কা হেন্না ঙাঙগনবা, মরেং মরেং চৎপা, শাওগনবা, অহোংবা কয়া লাকই। মসিনা মরম ওইদুনা কন্সেন্ত্রেদ তৌবা ঙল্লক্তবা অমদি ষ্টদিদা পূক্নিং চঙলক্তবা হৌরকই। মসিগী পাউদম অমা কুমজা ২০১৪গী চেফোঙ অমদা ফোঙদোকখিবা লৈখি ‘প্লোস ৱান’।



সেকেন্দ হেন্দ স্মোকতা য়াওরিবা ফত্তবা কেমিকেলশিং

গ্রীন লুচিংখিবা থিজিনবসিদা থার্দ হেন্দ - য়ু সী রিভরসাইদতা সেল বাইওলোজিগী প্রোফেসর ওইবা মন্যুলা মারতিন্স স্মোক্না লেবোরেটরিগী উচিশিংগী ওর্গান সিষ্টেমশিংদা অকায়বা পী হায়বা খঙলকখি। মখোয়গী ফিরাক্তা লিপিদকী চাং ৱাংখৎলকখি অমদি নোনফিরাক্তা ফেটকী সেলশিং (য়ু থকপদগী ওইরকপা নত্তবা) অলকোহোলিক ফেত্তি লিভর দিজিজ ওইরকপগী চাংসু হেনগৎলকখি। দিজিজসিদগী সিরহোসিস অমদি কেন্সর ওইরক্লবগী মরম ওই। মসিদগী থম্মোয়গী (তুংশিল্লকপা অনাবা) কয়াসু নারকপা য়াই। কোলাজেন হায়বসি মীওইবগী হকচাংদা য়াওরিবা অপূনবা প্রোতিনগী শরুক অমা থোকপগী অমা ওইবা অকনবা ফাইবরগী প্রোটিননি। মসি উনশা-শরূ অমদি কন্নেক্টিভ টিস্যুশিংদা মরুওইনা ফংই। মসিনা হকচাংগী তোঙান তোঙানবা টিস্যুশিংবু ফাজিন্নদুনা থম্মী। উনশাবু তগৎ তগৎ তেক্না থম্বদসু মতেং পাংই। অদুবু হেঞ্জিন্না শুংলকপা মতমদদি হকচাংদা মাঙনবগী মশক ওইরকই। থার্দ হেন্দ স্মোক্না উচিশিংগী থবোম্বীদা কোলাজেনগী চাং হেঞ্জিন্না শুংহল্লি অমদি ইনফ্লেমেটরি সাইটোকাইনশিংগী চাং ৱাংখৎহল্লি। মসিদগী ফাইব্রোসিস ওইরক্তুনা ক্রোনিক ওবষ্ট্রক্টিভ পলমোনরি দিজিজ অমদি এজমানা নারকই।

মীওইবগী হকচাং মনুংদা থোক্লিবা কেমিকেলগী থৌওংশিংসি অঙকপনা পীক থল্লি। অসিগুম্বা থৌওংশিংসি থোকপদগী ফ্রী রেদিকেলশিং থাদোরকই। ফ্রী রেদিকেলশিংসি ওক্সিজেন য়াওবা নেগেটিভ চার্জ পুবা পোৎকুপশিংনি। মখোয়সিনা সেলদা য়াওরিবা দি এন এ, প্রোটিন নৎত্রগা লিপিদকা রিএক্সন থোকই। মসিনা সেলদা অকায়বা থোকহন্দুনা মখা তানা ফ্রী রেদিকেল হেন্না থাদোরকই। মসিদগী ওক্সিদেটিভ ষ্ট্রেস থোক্লকই হায়বদি এন্টিওক্সিদেন্টশিংনা ফ্রী রেদিকেলশিংবু মাঙহনবদগী থাদোরক্লিবা ফ্রী রেদিকেলশিংনা য়াম্না হেনগৎলকই। অহল ওইরবশিংদা ওক্সিদেটিভ ষ্ট্রেসসি লাক্লবদি পার্কিন্স’স দিজিজ অমদি অলজৈমর’স দিজিজ ওইরকপগী চাং ৱাংনা লৈ। লোয়ননা কেন্সর, হার্ট ফেল ওইবা, ক্রোনিক ফেটিক সিন্দ্রোমগুম্বনা নারকই।

মার্টিন্স-গ্রীননা লুচিংবা য়ু সী রিভরসাইদকী থিজিল্লোয়শিংনা থার্দ হেন্দ স্মোক্কী মরমদা মখা তানা থিজিন্দুনা লাকখি। মসিগী মহয় ওইনা অসিগুম্বা মখলগী মৈখুসিনা উচিশিংদা টাইপ-২ দাইবেটিস নাহল্লকই হায়বগী মরমদা ‘প্লোস ৱান’দা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। থিজিল্লোয়শিংনা উচিশিংদুগী সেলশিংদা ওক্সিদেটিভ ষ্ট্রেস হেনগৎলক্তুনা সেলদুদা য়াওবা প্রোটিন, দি এন এ অমদি ফেটশিং শোক্লকপদগী হাইপরগ্লাইসেমিয়া (ঈগী ঈচেলদা গ্লুকোজ হেন্না য়াওরকপা) অমদি ইন্সুলিনেমিয়া (ঈদা ইন্সুলিন হেন্না য়াওরকপা) ওইরকই। অসিগুম্বা ফীভমসিবু ইন্সুলিন রেসিষ্টেন্ট ওইরকপা হায়না খঙনৈ। মরম অসিনা সেলশিংনা ইন্সুলিন লৌশিন্দুনা গ্লুকোজদুবু এনর্জিদা ওন্থোকপা ঙমদে। মসিদগী টাইপ-১ দাইবেটিস ওইরকই। থিজিল্লোয়শিংনা থার্দ হেন্দ স্মোক্না হকথেংননা থমখিবা উচি চাম্মগী মনুংদা ৪৯দা দাইবেটিস মখলসিনা নাবা থেংনখি।

থার্দ হেন্দ স্মোক হায়বা টর্মসি অনৌবনি। অদুনা মসিগী মরমদা মীয়াম্না ইখঙ খঙনদ্রি হায়বা য়াই। অদুবু থিজিনবা কয়াগী পাউদম মতুং ইন্না স্মোক মখলসিনা মাঙহল্লি হায়বগী খুদম চাংদমশিং থেংনরবনিনা চুরুট থকপা মীশিংনা হেন্না চেকশিন্নীংঙাই ওইরে। অদুনা চুরুট থকপা মীশিংনা য়ূম, কা, কার অমদি হোটেলগুম্বগী মনুংদা চুরুট থক্তনবা হোৎনবা ফরে। মসিগা মরী লৈননা মীয়াম তিনবা মফমশিংদা চুরুট থকপা য়ারোই হায়বগী অথিংবসু লৈরবনি। অদুনা থার্দ হেন্দ অমদি সেকেন্দ হেন্দ স্মোকশিংনা অতোপ্পা মীশিংদা শোকহন্দনবগীদমক খরা হাংবা মফম, লৌবুক-লমহাংগুম্বদা চুরুট থকপগী মথৌ তারব্রা হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহং ওইরক্লে।